# ৱারীমচা

## খুদোলগী চৈথেং

*– এল পি সিংহ –*

অহিং–নুংশোইবা ৱাখলগী পোৎলুম্না মীৎশেং খাংহল্লকখ্রবী থাদোইনি। লায়রবা কৌবা চৈফুগী চৈনাখোল খাংবদা, কনাদসু তাইনরুফম খঙদনা খোইশা ওনহনখি। ইকায়–নুংশি য়ান্নবা পেন্দবগী ঈথিলশিংনসু মীৎকুপ খুদিং হুমাং কাংহনবীখি।

নুংতি নুমিৎ খুদিংদি, চীংখৈ ফিদুপ হুল্লকঙৈ, ঙাঙ্গোন্নবা মশেক্না হৌদোকপীবা খুদিং মশা খিংনা তরাম তরাম্না হেক হেক ওকনজবনি। অহিংগী লিক্লাংশিংনসু কংশিন্দ্রিঙৈ, থাদোইগী মোমোন্নবী মায়থোঙবু চিংনা অমুক্তং য়েংনজহৌবনি। ঙসিদি তায়োন্নরে। নুমিৎকী মশেক্না ইমুং চঙদুনা মাবু থিররবদসু মহাক লোক্তুনা লৈরে। মীপাইজরবী লিক্লাশিংসু ইমুংদা চেনশিন্নরক্তুনা, ফমুংদা, মীৎস্না অনী তরংদা য়েং, ৱাখল ফুম্বংনরিবী থাদোইগী মীৎলু অনীদা করিগীনো হায়বা খোল্লাও লাউনররে।

– "ইবেম্মা... ইবেম্মা, কৈদৌরে নঙবো নুমিৎনা ৱাতোন কারফাও হৌগত্ত্রিসিবো, প্রাইভেট তম্বকা চৎলরোইদ্রা থেংদ্রিব্রাও?"
– "ইমা, ঙসিদি হকচাংসে কৈনোমা তৌরে...।"
– "হা! করি তৌরবা!" হায়না–হায়না মচানুপীনা হিপ্লিবদোমদা চঙশিল্লক্তুনা মরাইবক্তা মখূৎ থমদুনা য়েংলৈ– "অশ! অরুম লৈবদৌনা তৌরেনা সিদি, ঙরাং নোং নঙলকই হায়দুনরা... ঈশিং অইংবকা পায়রু লাকউরনুকো, ইমা ঈশিং লুম্বীরক্কে নচিন–নয়া শেংদোকও, বাবাদা হিদাক্কসু লৈহল্লুগে চারগা অমুক পোখানবা।" হায়রন্নগা থাদোই মমা থোকখি।

কয়াদা নুংশি চাওবী ইমানো। থাদোইনা খলহৌই। নুংশি চাওবগীদি মপা ইবুঙোসুনি। হন্দক চহী মেত্রিক ফার্ষ্ট দিভিজনদা লাল্লকপী মশামক অমদি ক্লাস VIII তম্লিবা মৌপ্বা ইবুঙোমচা, মখোয় অনীবু নোংমদি মশক থোক্না মীরক তিলহঞ্জবা হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরিবা মমা–মপা অনীনি। মদুগীদমক কুম্বী–কালেন নাইদ কৈথেল থোক্তুনা মনা–মশিং য়োল্লিবী মমানি। অনকপগী স্কুল অমদা পিয়ন ওইরিবা মপাসু মথৌদগী হেন্দোক্তুনা অঙম্বা অতৈ থবক–ইনখাং কয়া শু–নোল্লিবনি। অদুবু মতৌ ময়াম অদুদা মখোয় অনীনা নীংজরিবা– মচানুপী থাদোইনা ডাক্তর, মচানুপা ইবুঙোমচানা অচৌবা ওফিসার হায়বশিংদু ওইথোকহনবগী চপ চাবা লম্বী য়াৎপীবা ঙম্লবরা হায়বদুদি নৎত্রে।

থাদোইনদি পূম্নমক খঙই। নৌজরিবী ওইদুনসু, খুমাঙ চাউশিল্লক্লিবা মতমগী অঙকপা য়াওলনা নোংমগী লাপথোক্নহল্লক্লিবা লায়রবা অমসুং ইনাকখুনবা অনীগী থাক্তা মখোয়না লায়রবনি। স্কুল–কলেজ তম্মীন্নবী মমান্নবীশিংনা অরংবা তুংগী আশা অমমমগীদমক, রাজনীটিগী অখুবা পোরমশিং শোয়নাইহল্লবা স্কুল–কলেজশিংদা নীংথিনা পরা তম্বা ফংনদ্রবসু সবজেক্ট খুদিংমক্কী অখন্নবা ওজাশিংদা লনাই ট্যুসন তৌনরিবা কয়া, ফনা য়াওনিংলুরগসু য়াওরুবা ঙম্বা নত্তে। তম্নবা লাইরিক্কী ৱাংমদা মমান্নবীশিংনা শানরিবা অনৌবা ফিজোলগী ৱারী, কেবল টি ভিদা উৎলকপা নুংঙাইরবা প্রোগ্রামশিংগী ৱারী, লংফৈদা লাইরিক তম্নখ্রবী মমান্নবীশিংগা টেলিফোন্দা ৱারী শানবগী ৱারী, নোংমদা ওজা অনী অহুমদগী ট্যুসন লৌবা চৎপা ঙম্নবা মোপেদ–স্কুটরনচিংবা লৈনবগী ৱারীনচিংবা কয়াদুদা থাদোইনা শরুক য়ারুবা ওইথোক্তে। মমা–মপা অনীগী মতীক চপ চানা মহাক খঙই। মতম চুপ্পদা মচাগীতা হোৎনজবনা পোখাজবা মমা–মপা অনীদা মনিং থুংদবগী ৱাকৎলুনবা পুকচেলসু থাদোইদা চেন্দে। মরম্না অমসুং সমাজগী ফীভমশিংনা নম্ফুদা পুশিল্লক্তুনা তম্বীরম্বা লাইবক্কী ৱাফমনি হায়বদা পেঞ্জদবখক্কী ৱানি। পেন্দবা, মনিং থুংদবা কয়াবু নমহত্তুনা পেন্থোকচরক্লিবসু মমা মপাগী মতৌশিংননি।

লৈবাক্কী চৎনবীনি, মমা–মপাগীনা তৌফম থোকপা দায়ত্বনি হায়বা ইচম–চমজবা মপাগী ৱাখলনা থাদোইদা তত্তনা হায়রকখিবনি– "ইবেম্মা করিমা চিংনরুনুকো মমাগা বাবাগা লৈরি কনাদনো ইচানা অপাম্বা ওজাদা তম্নিংবা প্রাইভেট তম্মু, ইচা ডাক্তর ওইদবা য়াদেকো, অদুগা ইবুঙোমচাসি অঙ্ক খরা শোল্লি হায়দায় মাবুসু কনাদনো খরা তমহল্লু।"

মপাগী পূক্নীং থৌগৎপীবা ৱাহৈনে, মতমগী ওইনা, স্কুল–কলেজদা অফবা ওজাশিংনা ছাত্রশিংবু তম্বী তাকপীবদা থৱায় য়াওশিন্নরক্তবদগী মথৌগা তারকপনে থাদোইসু খরা লাপ্পা লৈবা ওজা অমদা লনাই ট্যুসন লৌই। মৌপ্বাবুসু অমদা। ট্যুসন চৎনবগীদমক মমান্নবী শান্তিবলানা মাবু নুংতি নুমিৎ খুদিং হৌবীরদুনা শান্তিবলাগী মোপেদতা চৎমীন্নে।

ঙরাং নহান্তগী ৱানি। ইতিং–তিংনা মৌপ্বানা মপাদা হংখিবা–
– "বাবা তলব কৈদৌঙৈ ফংদোইনো, হন্দকসু ফংলোইদোইদরা?"
– "কৈদৌরগেনে, তলবপু ফংদে হায়ব্রো, ফংকান্দা মরাইনা ফংজনিনা।"
– "অস, মী হন্দক্তি ট্যুসনফি টিচর্স ডে নুমিত্তা পূন্না পিথোকমীন্নরসি হায়দনা ইমান্নবা ময়াম হায়নরিনি, লুপা ৫০/ ৫০ সু খায়নরগা ওজাহোইদা চাক চামীন্নদোইনে।"
– " হেরা ইবোমচা, নুপানবু অদুক মীকিথি ওই–হৌনদে, ট্যুসন ফিবু ঐখোয় বাবা তলব ফংদ্রি কোন্না কোক হায়র লোইরে, চিন্থীবসু নত্তবদুবু, ... হোই চাক চানবৈদুদি নমানা অদুম পিজনিনা।"
– "হায়বুদি হায়রিপোৎনিদা বাবা, ওজানসু কৈম হায়পোত্তে, শুম ইকায়বৈ ৱানি।"

অঙাং ওইজরবসু লৈত–লায়র খঙখ্রবা মৌপ্বা ইবুঙোমচানি। অকনবা দাবি অমুক্তা তৌদে। মমান্নবশিংগীদা ঙা থোংবা চামীন্নজরক্লগসু য়ূমদা ঐখোয়গীদি মহি লাংবা কাংশোইদৈ হেন্না থোংদে হায়রগা চামীন্নরবা ঙম্লিবা মৌপ্বানি। লৌথুপ লৌকোই মীনম–শোরি লৈতে। অদুবু ঙসি মহাক্না ঙাংথোরকখিবা ৱাঙাংশিংদুদি মচে থাদোইগী মচিনদগী মুনবগুম থোকখ্রে। ৱাৎহৌরিবা হায়ববু মমান্নবীশিংনা 'টিচর্স ডে' নুমিত্তা ওজাগী মফমদা খুদোঞ্জনবা করি করিনো লৈনগনি হায়দুনা লাংনহৌরিবা, ঙাংনহৌরিবা ময়ামদু খক্তনি। মমা–মপাগী মফমদা হায়নীংবা কয়া লৈদুনসু, কাংথোক্লুবা ঙম্বগী থৌনাদি থাদোইদা লৈতে। ইমুং–মনুংগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিং– তলব ফংদ্রিবা মপাগী ফীভম, নোংজু পাম্থানা পোৎশিং লিকথহল্লবী মমাগী শেঙ্গাউ, পূম্নমক থাদোইনা খঙই। অদুবু মাগী আশা অমখক্তংদি– 'বাবাগী তলব তাং ৪ ফাওবদা ফংলকপা' হায়বসিনি।

ঙরাং নুংথিলখক্তগী ৱানি। মৌপ্বা মবান্নি, মা–মানা নীংনরিবদুদি হায়দোক্নদা মাঙ্গোলদা মপা হল্লকপা ঙাইখিবনি। কনানা উবা হানখিবনো খঙহৌদে ইবুঙোমচানা চেন্থোক্তুনা হংখি– 'বাবা তলব ফংলক্লব্রা?' থাদোইদি মপাগী মায়থোঙ উবদা খঙই– 'ঙসি বাবাগী তলব ফংলক্তে।' অদুনা খঙজৈ, হয়েং ওজাগী নুমিত্তদি মহাক মমান্নবীশিংগা লেঙমান্নবা ঙম্লরোই। মমানা কৈথেল কুম্লকপগী আশাদি থম্লুনিঙাই ওইদ্রে করিনা, ঙসি মণিপুরগী ছাত্র কাঙলূপ অমনা বন্দ তৌরিবনি, মমা কৈথেল চৎখি হায়দুনসু থোইদোকপা লৈরক্লোই, অদুগা মৌপ্বা ইবুঙোমচানা হৌজিক ঙাইরিবসিসু মমানা কৈথেল কুম্লকপদুনি।

মমানা কৈথেল কুম্লকপগী থুমোক তাইরুক লোইশিনফাত্ত্রি– "ইমা হয়েংগী পৈশা হায়দো...?"
– "করিগী লৈতনেগে, ইচা নীংথেমগীবু ইমা লৈরিসিদি।"

মৌপ্বাগী মায়থোঙদা তারকপা মকা লাম্বগী মমি থাদোইনা উই। মাগী ওইনদি, নুংতি নুমিদাং খুদিং মমানা কৈথেল কুম্লকপদা পুশিল্লকপা চেঙগী অরুম্বা হন্থরকপগী চাংনা মশাগী থম্মোয়দা লুমথরক্লিববু মায়থোঙনা চিংখৎনবা হোৎনখি।

অহিংচুপ্পা থাদোইনা খনখিবনি। খনখিবা নত্তে মমীত্তা শং–শং উখিবনি। অয়ূক্তা মমান্নবী শান্তিবলানা মশাগী মোপেদতা মহৌশাগুম মাবু হৌরবা লাক্কনি, অদুবু ঙসিগী ওইনদি লাইরিক খাউগী মহুত্তা ওজাগীদমক নীংথিরবা খুদোলপোৎকী ময়োম লোইনরক্কনি। মদুদা মানা হায়গনি– 'শান্তি ঐ ঙসিদি হকচাং য়াম্না ঙমদ্রে, ঙরাং নোং নংখিবদুনা ওইরমাল্লে, চৎলরোই, ওজাগীসু করিমত্তা থৌরাংহৌবা ঙমদ্রে, ঐনা ওজাবু খুরুমরকই হায়বদংদি তম্বীয়ু!'

# তাবুনুংদগী

*কবি থাংজম ইবোপীশক্কী ১৯৮৫ দা ফোঙখিবা শৈরেংগী লাইরিক ''নোরোক পাতান পৃথিবী'' দা ''নিংথৌ অঙাওবা শেম্বা'' কৌবা ৱারী অমা য়াওই। অইবনদি মসি শৈরেংনি হায়জৈ। ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরিবা অসি পারগা অমুক্তা য়েংবীয়ু ৱারেংলা শৈরেংলা?*

## নিংথৌ অঙাওবা শেম্বা

লৈবাক অমদা নিংথৌ অমা পাল্লমই। নীংবদা থৌবা লাইনিংথৌনি, রাণী তরেৎ লোল্লমই মণি–মুক্তাদা য়াহীপ্লে। হরাও কূম্মৈদি খোয়দাদে মীকুপকী মমল খঙই। লৈবাক্তুগী প্রজাশিংদি ঈরাংদা মপাল শারমই, শিগদৌবা পুন্সিনি শিনি খন্না লেল্লুদ্রা? ষণবীনা শন্নাউ পোকপদা ফাওবা বাঝাই খোংদুনা জগোয় শাই। নংবনা মকু হুরমই, ৱারে খন্দে নাচুংদে। লাইরবদি পুন্যনি খন্দোকই।

নিংথৌনা য়েংশিল্লি চৈরাক্কী দোড়ী চেৎনা প্রজাশিংনা হন্দোকই নীংঙাইবা লৈতনা কোম্না। লৈবাক নিংথৌ তৈনরে খূবাক খূনম তিন্নদ্রে, লৈবাকসু নিংথৌসু লৈতাদ্রে।

নোংমা কংলা চোন্না তিনবদা মশাদা ফিজোল থোংদবা পীক্লিবা নুপামচা অমখক স্নামাঙদা চঙলকই। খূউ লৈতানা খুরুমদুনা কচ্চরমই অথেনপোৎ অমা লারোন তরেৎনা য়োমশিনবা। স্না য়াথংদগী বর মন্ত্রিনা কায়থোরকই পোৎয়োমদু।

মণি–মুক্তা নত্তে! করিনো? অখুইবা বোরোই অমখক!

লাইনিংথৌ ঈ–কানা শাউই অঙম্বশিংনা ঙকপদা থেংই।

ইনিংথৌনা বোরোইদু চাথোক্লগা পীরমই মরূদু বর মন্ত্রিদা। মপুনা নোক্লে নোকপা মপুনা কপ্লে কপ্পা মপু পূক্নীং খঙবদা হায়নরিবা মনাইনি। চুপ্লমই বোরোই মরূদু মখোন থোক্না বর মন্ত্রিনা।

স্না য়াথং তাউথরকই 'মচোঙপাক নাইদবা লৱায় মচাসি নমশিল্লু মরূদু অমাংথোঙদা!'

পাঙথোকই মদুমক বর মন্ত্রিনা।

ওন্থোকপনি অদুবু পীক্লিবা নাৱা লমকেৎপদো নোকফেৎতুম তৌরক্লে, পোল্লম্বা লৈরাং শাৎলক্লে। ঙংঙকই শাউরবা বর মন্ত্রিনা 'মচোঙপাক নায়দবা অঙাং! স্না মাঙনি খঙদবরা মীৎকুপ্তা অঙাং ওনগেরা?' খুমজরকই অঙাংনা নোল্লুক্না 'লাইনিংথৌদা য়ুবী মপুম কৎলবা মখোয়দুদি ৱারম্নিদা ওন্থোক্না ননাইদি ইরাইবক ফমল্লে।'

*৪ এপ্রিল, ১৯৭৭*

**(থাংজম ইবোপিশক)**

# মণিপুরী পাম্বৈ –পাউরৌ, পাউতাক

* **ওজানা তম্বীবনা খজিক্তা সেবোক্লা হৈজবনা অয়াম্বা।**
  – খজিক্তং তাকপদা সেবোক্লা হেন্না খঙজিনবা।
  – হৈথোই–শিংথোইবা।
* **ওজানা তম্বীবদি খজিক্তা ঐনা হৈজবনা অয়াম্বা।**
  – খরদং তাকপদা হেঞ্জিন্না খঙবা।
  – নাপল য়াওবা ছাত্রগী ৱাঙাঙ।
* **ওজা ওইগে হায়রবদি হৈরগা ওইয়ু।**
  – হৈগদবা ওজানা হৈত্রবদি করম্না ছাত্র তাক্কনি।
* **ওজানা শাওখ্রবা মীদি মহয় চাদে।**
  – ওজানা য়ানবা নুংশিনবা চৎপনা অচুম্বা খোঙথাংনি।
* **ওজা গুরু খন্দবা লাইরিক হৈতবা মীদি হি হোনবা হৈতবনা লৈকু–লৈরাইদা হিথেংদুনা লল্লোনফম খঙদদুনা তোকই।**
  – ওজা গুরু মশক খঙদবা মীদি পুন্সিদা মহয় চাবা ঙমদে।
* **ওজা নাইদবা থবক ৱায়োং থোক্তা।**
  – মগুণ লৈবা মতীক চাবা মী অমা ওইগে হায়রবদি ওজা নাইদবা য়াদে।
* **ওজানা শাওখ্রবা ছাত্র লমখাংদা কেমগল্লি।**
  – ওজা গুরুবু লাইগুম্না লাৎচগদবা।
* **ওন্থরে মাইরেল, কাইরে তুম্বা।**
  – অচৌবনা লাল্লগা খুদোংথীবনা মচানা নঙবা।
* **ওবগা ফায়বগা লাক্লবা।**
  – হন্দোকপা য়াওনা খোঙ তোইনা হাম্বদগী লাক্লবা।
* **ওন্থোকপা শালা অমদা পুং তিংলুদুনা হৌজিকপু চিনবুং য়ৈবা তারি।**
  – শীজিন্নগদবা খূৎলাই ( পোৎ) মতম চানা ফংদবদগী চীন থীবা তারকপা।
  – শিন্নরোইদবা মীদা শিন্নরুবা থবক।

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

# চানক্য নিতি

– নিংথৌ, লমচৎ নাইদবী, যম, মৈ, হূরানবা, অঙাং, ভিক্ষারি অমসুং গ্রাম কন্টক (মী, শা, উচেক্নচিংবা ফুনহল্লগা কূম্মৈ শীনবা মী) নীপান অসিদি অতোপ্পগী অৱাবা খঙদবনি।

– অহল ওইরবী, করিগীনো হন্থনা য়েংলিবা? লৈমায়দা করি তাখ্রবগে? হায় অপঙবা (ঐগী) নহা ওইবগী মুক্তা মাঙখ্রে খঙদবরা?

– লিনশিংনা ননাক্তা লৈদুনসু, নহৈ য়ান্দবা ওইদুনসু, তিঙ্খং পান্দুনসু, পঙশন্দা শন্দোক্তুনসু, লৈখোম তৈদুনসু, থোইদোকপা অমা লৈত্রবসু, ননাক চঙঙমদবা ওইদুনসু হে কেতকী, ননম্না মরম ওইরগা নঙবু খ্বাইনা তিন্নীংই। (অদুগুম্না) গুণ অমত্তং লৈবদা দোষ ময়াম মাঙবনি।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

# মণিপুরী পাউখোং

৩২৩. উপু মশীং নায়দবগী মনুংদা খুদৈ ফিশাং অমা তাবা–
৩২৪. লৈশাবী ২০ খ্বাঙচেৎ লাক্তুনা চৎখিবা মৌ অমতমক হল্লকপা–
৩২৫. শিবগী হেক নোংঙানবদা পোকপা–
৩২৬. মচাদা মাগী মমিং লৌরগা থোন্দনা মতাউগী মমিং লৌরগা থোনবা–
৩২৭. চাবা লোয়রগা শায়বা–
৩২৮. মচা পোকপা লোয়রগা মচা য়োক্লমদনা চৎখিবা–
৩২৯. লৈখোম মরক্তা লৈরগা লৈখোম পক্তবা জীব–

***পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমায় অসিদা ফোঙদোকচগনি।***

***মমাঙ নোংমাইজিংগী (১৩–০১–২০১৯) পাউখোঙ ফোঙবা***

৩১৩. শিখ।
৩১৪. গধা।
৩১৫. অহানবা পাম্বী।
৩১৬. কপত্রেং নায়বনি।
৩১৭. মতমনি।
৩১৮. কেত্রু
৩১৯. চুমথাং।
৩২০. উরিক লেংবা।
৩২১. খুদোল মঙাগী লম।
৩২২. অমি (অরৈবা অমসুং অয়োনবা)

# শৈরেং

## অনৌবা চহী

*– জিবনকুমার খুমনচা*

ঙাইরি নঙবু খৌরাংনা
তরাম্না ওক্কদবগী মীয়াম্না
অনৌবা আশা কয়াগা লোয়ননা
লাকউকো নঙসু
শান্তিগী ইরীক খিক্তুনা
মীনুংশি লৈত্রবা মালেমসিদা
মমলসু নাথৈদুনা
হাৎন–শুনবা, করপসন, বন্দ
ব্লোকেদ, ষ্ট্রাইক
ওইহল্লু নঙনা শেংলবা
অনৌবা ইতিহাস অমগীদমক
লংজিন ।।

## খেন্নবা পুন্সি

*– জীবনলতা হৈস্নাম*

হিংলি কনা অমনা
আশা কয়াগী মরুমদা
নোক্লি কনা অমনা
নীংবা থুংবগী মপান্না
শীন্থরি কনা অমনা পিরাং
পেন্দবা ময়ামদুনা,
মান্নদবদুনা খেন্নহল্লি,
পেন্দবদুনা পোখাহন্দে
লৈরি খেন্নবা পুন্সিদা!
নুংঙাইবনা নোকহল্লি
কপহল্লি অৱাবদুনা
নীংতম্বনা চাওথোকচরি
লৈরি খেন্নবা পুন্সিদা ।।

## ইংখ্রেদা

*– ইরোম মোবি*

ইংবনা অসুম অসুম হেঞ্জিল্লক্লি
ইংবসিগী মথক্তা নুংশিৎসু শিৎলক্লি
মৈতালসু লৈবা ঙমদরে
ইংবনা লাইরে ।।

ওল্ড এজ পেন্সনসু
অইংবা মতমসিদা পীবিদে
অয়াম্বা শেনফমসু নত্তবা
হৈক্রু মনাদা য়োম্বদো ।।

শেগাইরবা খাংপোকশঙসিদা
লাকখিবনি ভোট খোম্বা
চঙনিং চঙনিংদনা নুংশিবা শাদুনা।
হৌজিক্না কদায়দা ঙম্না চৎখ্রবা?

ইংবা হেল্লকপসিদি
অহলশিংগা পক্নদে হায়নৈ
করি থোক্লগবা?

## পাউদমখিবনি থম্মোয়না

*– সোইবম সোমোরজিৎ*

তাবিখিদ্রে হায়জবা
খঙবিদে থম্মোয়গী অৱাবা
নুংশিববু ফাগীগুম খনবিরম্লে
থম্মোয় পান্দ্রবা মহাক্না
পূক্নীংগী ৱাহৈ কয়াবু
ফোঙদোক্কে খঞ্জরুবা থম্মোয়না
খন্থরুবা ৱাখলনা মা–ঐগী
নীংশিংবা খুদিং
ওইহনবিরে ঐবু অঙাওবা
তত্তনা ওৎলি নীংশিংবনা
অদুবু নঙগীদমক্তা
কায়ন' পীরাং শীন্থনা
পাউদমজখিবনি থম্মোয়না নঙোন্দা ।।

## ঈরৈবাক

*– লৈশাংথেম নিমাই*

ইমা পোক্নফম নুংশিবী
স্না লৈবাক মণিপুর
মিংথোল য়াম্বী ইমানি
কংলৈপাকসু মকৌনৈ
মৈত্রবাকসু মথোননৈ।
চীংনা কোয়না পনশাবী
লোক্তাক্না মিংশেল ওইরিবী
শিরোই লীলি শাৎলিবী
কৈবুল শঙাই পোক্লিবী
মতীক লৈবী পল্লেমনি।
ভারতকী নোংপোক চিদাইদা
ইমা নঙনা ঙাম্থোইরি
তোমথীন ঙানবী পল্লেমনি
মঙাল চাউবী ইমানি
স্না লৈবাক মণিপুর ।।

## খলহৌদ্রবা

*– সিঐচ জসোবন্ত*

খলহৌদ্রবা মীৎকুপ্তা খঙহৌদনা থোকখি,
মীয়াম্না নোক্লবিরি চৈবিরক্লি ঐবু,
তুকচ্চরবা ৱাহৈনা মমিংগী মাঙদা ফম
হাপ্পীরি ঐঙোন্দা
অসুম্না তৌরক্কনি থাজরুদে,
থৌদোক্তুনা ঐবু কপহল্লি,
নীংশিংলুর' চাকহল্লি তত্তনা
লাইবক্তা তন্নক্লবরা 'সিবু
ঐগী খলহৌদ্রবা ৱাখলনরা?
হায়ফম খঙদনা ইকায়রে
খল্লু–খল্লুরগা থৌদোক্তুনা,
থম্মোয়সিনা হায়ররে ঐবু
চৎখ্রো লমদম তাম্না
লমদম কৈদনো লোৎখরো
তাইবঙ ঈপাক ৱাংমদা!
কনাসু খঙদ্রবা লমদমদা
মৈচাক খাঙনা লেল্লুরো
নদোম ফম্লুরো তুমিন্না
নোক্লবিরক্লবা লৈত্র' সংসারদুদা,
খলহৌদ্রবা মীৎকূপ্তা খঙহৌদনা থোকখিবা
ঈরাল কয়াদুগী নোক্লবিরক্তনবা!

## নুংশিবা

*– ক্ষেত্রিময়ুম চাওথোই*

তারক্লে মীকপ–মীরাওখোল
উরক্লে অমুবা মৈখু
চেল্লক্লে ঈগী তুরেল।
মীকপ–মীরাওখোল
মম্ল মরক্তা
মঙালদা মঙফাওনদ্রিবা
মীহুল মাবুসু
মাংহনখ্রে মালেমসিদগী
নুংশি খঙদা নৈহত্তুনা
কল্লক– য়েংথী থাংশাংনা।
হূ! নুংশিবা, নুংশিবা, নুংশিবা
নহাকপু ব্রৈনে মীরকসিদা
কদায়দবু লৈবগে
করম্নবু তৌবগে
অমুক্তবু উজগে
নহাক্তবু খৌরাংনরে ।।

## অমম্বা লম্বী অমসুং মীয়াম

*– রিশিকান্তা অতোম*

মীয়ামদো–
অমম্বা লম্বীদুদা
মশক মশাসু খঙনদ'
খোঞ্জেলদগী হেন্না তান্নদ'
করিনো'মদি থিরদুনা
অঙানবা অমত্তং পামদুনা
চপ মান্ননা মখোয়
মদুতবু থিরি
চোকথরবা হকচাংশিং
পোখাজনবা
মোমোন নোক্লবা
নীংবা থুংনবা
তপ্লি–তপ্লি
মা–মাদুনা চৎলি
মখোয় মশেল দং–দং থেঙ্গাইনরদুনা
মশানা মশাফাও'
উবা ফংদ্রবা লম্বীদুদা ।।

## হীংবগী মহাও

*– আশাতোম্বী নিংথৌজা*

থৱায়না মুন্নরকই খুদুম চন্নবা
মখোয় মশেল অমগা অমগা
মহৈ–মহৈ লোন্নসু ফোঙনসু
অতৎ–অখম লৈতনা 'সুমক!
শেত্তুনা চান্নরকই মমিগী অতিয়াদা
ময়ায় কারবা পিক্ল–পিক্লবা জিবশিংদুনা
কোয়তান তান্নরকই দীর্ঘ হেক ফূক্তোকপমখৈ
শুপ্নতগী হীংবগী মহাওখক্তুদবু ।।

# কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **ফুরিৎ কোলার (ঙকশম) গী লেক কোকহনবিগে হায়রবদি?**

অমোৎপা ফুরিৎ শুদোকপিবদা কোলার (ঙকশম) গী শরুক্তা থাংবা লেকপু ইরায় লায়না কোকহনবিগে হায়রবদি ঈশিং চোৎহনবীদ্রিঙৈদা লেক থাংলিবা মফম অদুদা ফিশু সাপোন নৎত্রগা পাউদর খরা নৈশিনবিরগা মিনিট অনীরোমদং হান্না থম্বীখো।

* **বদাম মকূ লায়না খোকপিগে হায়রবদি?**

বদাম মকূ লায়না খোক্তোকপিনবগীদমদমক্তা বদামশিং অদু ব্রোং–ব্রোং শৌরিবা ঈশিংদা মিনিট অহুম–মরিদং লোন্থোকপিরগা অশাবা ঈশিংদু হেক চিথোকপিবগা অঙৈংবা ঈশিং হৈজিনবীয়ু, বদামশিং অদু মরনাই মতোমদা মকূ খোক্তোকচক্লগনি, মহাওদি মাঙলোয় মহৌশাগুম কায়দনা লৈগনি।

* **বিস্কুইট পেখহনবিরোই হায়রবদি?**

য়ূমদা প্লাষ্টিক নৎত্রগা তিনগী কৌটাগুম্বদা থমজিনবিবা বিস্কুইটশিংদু ইপেৎ–পেখনা লৈরম্বা ইতৎ–তত্তনা থেংনবিরমগনি। মদুম্না থোকহনবিরোই হায়রবদি বিস্কুইট হাপচীনবিরিবা কন্টেনরদুগী মনুংদা চিনি চামচ অনী–অহুমদং হেক–হেক হাপচীনবিয়ু।

* **বোরা (পকৌরা) হৌবদা থাউ চুপশিনহনবিরোই হায়রবদি?**

অচাথাউদা বোরা হৌবদা থাউ য়াম্না চুপশিনহন্দনবগীদমক্তা অতোৎপা বেসনদুদা চম্প্রা মহী খজিক্তং (মহাওদা অশীনবা ফাওদনবগী চাংদা) শুমজিনবিয়ু।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ''কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু'' দগী লৌথোকচবা)*